ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ০৩, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ০৩৫শুবা মশীং

# সাইক্লোন ফোনিনা পীরক্লিবা চৈথেং

## মীওইবনা মহৌশাগী মায়োক্তা শীংনরুবগী মহয় ওইগদৌরিব্রা

বে ওফ বেঙ্গলগা থংননা লৈবা টামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং অতৈ ষ্টেট খরদা সাইক্লোন ফোনিগী চৈথেং ফংলি। খ্বাইদগী তমথীবা সাইক্লোনগী থাক য়ৌনা শাফু কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎনা মফম কয়াদা মীশি-মীনা থোকহনবগা লোয়ননা য়ূম-কৈ অমসুং লন-থুম কয়া মাঙ তাকহল্লে। ৱর্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এম ও) গী থৌশিল মখাদা সাইক্লোন খুদিংমক্কী মীংথোল অমমম পীদুনা লাকখি। হন্দক্কী ওইনা 'ফোনি' হায়রিবা মিংথোল অসি বাংলাদেশনা পীখিবনি। নোর্থ ইন্দিয়া ওসিনদা থোকপা সাইক্লোনশিংগী মতাংদা ইন্দিয়া, শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ, মালদিভস, ম্যান্মার, ওমান, পাকিস্তান অমসুং থায়লেন্দনা মাগী-মাগী অপান্বা মমিং থোলহন্নবগীদক রিজনেল ত্রোপিকেল সাইক্লোন কম্মিটিদা মিংশিংগী লিষ্ট অমা থাই। হন্দক্কী ওইনসু লৈবাক নিপালনা পীখৎলকপা মমিং ৬৪দগী খনগৎলগা রিজনেল ত্রোপিকেল সাইক্লোন 'সাইক্লোন ফোনি' হায়বা মিংথোল অসি পীখিবনি। ইংলিসতা 'এফ এ এন আই' হায়না ইরগসু 'ফোনি' হায়বা খোন্থোক্তা পাবা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্তি 'লিন' হায়বনি। মমাঙ চহীদা ওদিষা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী মফম খরদা শীৎলকখিবা 'সাইক্লোন তিতলি' গী মমিং পাকিস্তাননা থোনখিবনি। কুমজা ২০১৭তা কেরলা অমসুং টামিল নাদুগী মফম খরদা পাক শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখিবা 'সাইক্লোন ওকখি' গী মমিংনা থায়লেন্দনা থোনখিবনি। লৈবাক নিপালনা তোঙান-তোঙানবা মমিং পীখৎলকখিবগুম ইন্দিয়ানা পীখৎখিবা মমিংশিংগী মনুংদা অগনি, অকাশ, বিজলি, জল, লেহর, মেঘ, সাগর অমসুং বায়ু য়াওরি। ৱর্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না মীপূম খুদিংমক অরায়বা মওংদা খঙনবা অমসুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা খুদোংচানবগীদমক সাইক্লোন খুদিংমক্কী মমিং অমমম থোনবনি হায়রি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু লোঙ্গিচ্যুদ অমদি লেটিচুদনচিংবা টেক্নিকেলগী ওইবা ইনফোর্মেসন নীংশিংবগী মহুত্তা ইচম-চম্বা মিং অমা ওইনা নীংশিংবনা খুদোংচাবা হেল্লি। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানা সাইক্লোনগা মরী লৈনবা পাউ ফোঙদুনা মীয়ামদা চেকশিন ৱারোল পীবদসু খুদোংচাবা হেল্লি হায়রি।

সাইক্লোন ফোনিগী শাফু অমুক্কা হেন্না কনখৎলকপা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়েরসনা অন্ধ্র প্রদেশ, ওদিষা, টামিল নাদু অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা ষ্টেটশিংদা দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দ ওইনা লুপা ক্রোর ১০৮৬ পীথবা হৌখ্রে। কা হেন্না অমাঙ-অতা থোরকপা য়াইহায়না চিংনরিবা মফমশিংগী মরী লৈনবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ) দা থাদখিবা শেনফম অসিনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা রেস্ক্যু মিসন্দসু শীজিন্ননবা থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা বে ওফ বেঙ্গলগী মপান-পরিংদা ইন্দিয়ন নেভিগী পর্সনেলশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহল্লি। ইন্দিয়ামেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী সাইক্লোন ৱার্নিং দিভিজন্না নোংলৈ-নুংশিৎকী শাফু কনখৎলক্কদৌরে হায়না চেকশিন-ৱারোল পীখ্রবা মতুংদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমদি ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দসু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎকী শাফু পুংদা কিলোমিটর ১৯৫ য়ৌনা কনখৎলকপা য়াবগী ফীভম লাকখ্রবা মতুংদা কেবিনেট সেক্রেটরি পি কে সিনহানা ময়ায় তাংবল লৌরগা নেসনল ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নবা হৌখ্রে। মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং সেন্ট্রেল এজেন্সি পূম্নমক্কী সিনিয়র ওফিসলশিংসু শুরক য়াখিবা মীফম অদুদা ষ্টেট খরগী চীফ সেক্রেটরিশিংসু ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা শরুক য়াখি। খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ঙামী পূম্নমক এপ্রিল ২৫দগী হৌনা সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎতনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চেকশিন ৱারোল পীখি। চৈরকসিদা অৱাং নোংপোক্কী মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা নোং কন্না চুবা য়াইহায়না চেকশিন-ৱারোল পীরি। হৌজিক-হৌজিক অৱাং থংবা বে ওফ বেঙ্গলগী নোংথক্তা এর্ন্টি সাইক্লোন থোকপা মরম্না অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেযশিং তম্না ঈশিং মনিল য়াওবা নুংশিৎ শীৎচিল্লকপনি হায়রি। ইন্দিয়া মেটিওরোলেজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টনা হায়, সাইক্লোন ফোনিগী চৈথেং ওইনা অৱাং নোংপোক লমদগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী খঙহৌদনা ঈচাও, লেন্দ স্লাইদ অমদি মদ স্লাইদনচিংবা থোকহল্লকপা য়াই । ৱেদর রিপোর্টকী ৱারোলশিং চপ চানা চুম্বা নৎত্রগা চুমদবা হায়দুনা তোঙান্না থমখ্রগা হৌজিক হৌজিকমকসু খঙহৌদনা শীৎলকপা নোংলৈ নুংশিৎতা হিলাকখিবদগী চাদোংদা মীওই অনী থিবা খঙদনা লৈরিবা মরম্না হীরমসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

১। মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুন্বল মানবা অমা ফুমদুনা থন্নে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ।
(ক) লৈনুংদা ফুন্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই?
(খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই?
২। "হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?" পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংৱাগী রেডিও দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "কিরন্বদগী কিরন্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।" পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনস্নাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।" পরেং অহুম অসিনা 'নোংজু নঙনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "অশেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।" পরেং অহুম অসিমনা 'ৱাথোক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবীদি

**১) সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৫)**

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৪গী ৱিন্নর

**সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়**

লিটরেরি ক্যুইজ ৯৪গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মে ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪গী পাউখুম

১। চহী হৌবা হায়বসি মীওইবা জাতি খুদিংমক্কীনি। মৈতৈ খুন্নাইগীসু চহী খুদিংগী চৈরাওবা হায়দুনা পাঙথোক্লি। ঐখোয়গীদি চৈরাওরগদা লোইদে। চহী অমগী তৌফম থোকপা লাইথৌ-তিনথৌ কয়াসু পাঙথোকই।
(ক) চৈরাওবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মাইবশিংনা য়াচংবদা করি লাইথৌ পাঙথোকপগে? **: শীং শৎপা।**
(খ) শজিবুগী ৭নি পানবদনা মাইবশিংনা করম্বা লৈবাক্কী য়াইফ-থৌরম পাঙথোকপগে?
**: কোংবা লৈথোং ফাৎপা।**
২। "কৃষ্ণরা, জিসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রলয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে।" কনবিয়ু লাউরিবা কবি অসি কনানো? **: রাজকুমার মধুবীর।**
৩। "ইশাগী কান্নগনি হায়রবদি/মীগী মাঙনবতা খনগদবনি/ইশাগী কান্নবা লৈত্রফাওবা/মীগী মাঙনবা তৌগদবনি।" পরেং মরি অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **: 'ভূট অমসুং মায়খুম'।**
৪। "লাক্কনি ঐ/লেপ্পনি নোংমা/তেক কায়রবা/নঙগী থোঙ্গালদা।" পরেং মরি অসিনা অইবী লাইরেল্লাকপম ইবেমহলগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **: 'নঙগী থোঙ্গালদা'।**
৫। "ঐদি, ঐবু নুংশিবিখিবা মখোয়দা খুল্লং হনখিবতনি/ভোটতা মখোয়না শেঙ্গা খুল্লং কূমখিবদুগীনি।" পরেং অনীসিনা 'পাইতু খাউদু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু। **: খাইদেম জাপান।**

# মে দে : শিন্মীশিংবু নমথবা কেপিটেলিষ্ট মণিপুরদা লৈরম্ব্রা, লৈরিবরা?

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

শিন্মীশিংগী নুমিৎ মে দেনা লাকপসিদা লমদমসিদা শিন্মীশিংগী করি খুদোংচাদবা অৱাবা থেংনরিবগে হায়বা ৱাহং অসি হংবা য়াই। মণিপুরদবু শিন্মী লৈবরা হায়নসু হংবা য়াদবা নত্তে। হংলুরবদি খুন্লক্কনি লৈ শিন্মী লৈ মণিপুরদা। অমরোমদা শাওবু-শাওরক্কদৌরিজাৎনি শিন্মী লৈব্রা হংলুবসিদা। শিন্মী হায়বসিদি মখল কয়াগী ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পোৎ-চৈ কয়া শাদুনা পুথোরক্লিবা ফেক্টরিদা থবক শূবা শিন্মীশিং অদুবুনি। অদুগুম্বদুদি মণিপুরদা লৈতে হায়বা য়াই করিনা হায়ববু মণিপুরদদি ফেক্টরি লৈতে হায়না লৌবা য়াই। ওফিসতা ফম্লগা থবক শূরিবা মীওইশিংসু শিন্মীশিংনি। অদুবু মে দেগা য়াম্না নকশিন্ননা চৎলিবা নৎত্রগা মরী লৈনরিবশিংদি ফেক্টরিদা থবক শূরিবা শিন্মীশিং অসিনি।

মণিপুরদা শিন্মীশিংগী প্রোব্লেম লৈতে হায়না লৌবসু য়াই অদুগা লৈ হায়না লৌবসু য়াই। পোথোক য়াম্না পুথোকপা ফেক্টরি লৈতবনা শিন্মীশিংবু কা হেন্না মতম শাংনা থবক শূহনবা, খূৎশুমল য়াম্না নেম্না পীবিবা নৎত্রগা খূৎশুমল মৎপীবা, হকশেলগী থৌরাং লৌখৎপীদবনচিংবগী ৱাথোক মণিপুরদা লৈত্রে। মসিনি লমদমসিদা শিন্মীশিংগী প্রোব্লেম লৈতে হায়রিবসি। অদুগা মণিপুরদা শিন্মীশিংগী প্রোব্লেম লৈ হায়না লৌবা য়ারিবসিনা অতৈ নত্তে থবক শূজরগা শেল তাঞ্জরগে হায়না লৈজরবা শিন্মীশিংনা থবক শূফম ফেক্টরি/মিল/ইন্দষ্ট্রি লৈতবসিনি। মরম অদুনা মণিপুরদা শিন্মীশিংগী ঈহৌ থোয়দোক্না লৈতে হায়বদি মে দেগী ৱাহন্থোক অমদি মসিগী ঈহৌ থোইদোক্না লৈতে। শম্না ত্রেদ য়ুনিয়নগী ঈহৌ থোয়দোক্না লৈতে। ঙসি মণিপুরদা মে দেগী থৌরম তৌরিবসিদি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগী তৌবনি। মণিপুরদা মে দেগী থৌরম পাঙথোকপগী ৱা ঙাঙবদা অখঙ-অহৈশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা শিন্মীশিংংনা ফেক্টরিদা থবক শূবদা খূৎশুমল য়াম্না য়ামদবগী মতাং, মতম শাংনা নমদুনা থবক শূহন্দুনা থমদুনা লৈরে হায়বগী ৱা য়াওদে। করিগুম্বা লৈরগনা হায়রিবা ৱাফমশিং অদুগী ৱারোইশিন করম তৌনা পুরক্কদগে হায়বগী ৱাদি য়াওদে। শেঙ্গাও পায়বনা ঙম্মী হায়দুনা শিন্মীশিংবু ওৎপীরে, শিন্মীশিংগী রাইট মৎপীরে, খূৎশুমল হন্থনা পীবিরে হায়বতমক ৱা ঙাঙবদা য়াওই। মসিগী ৱাফমসি মে দে নুমিৎতা হায়রম্লগা লোইরে। মখা তানদ্রে। মথং চহীগী মে দে নুমিৎ অমুক লাকপদা অমুক হায়রনি। মণিপুরদা শিন্মী মশীং কয়া য়াম্না থম্বা ঙম্বা শেল পায়বা পোৎথোক পুথোকপগী মিল/ইন্দষ্ট্রি/ফেক্টরি তৌবা মীওই কয়া য়াম্না লৈবগে? মশীং থিবা য়াম্না লায়না ঙমগনি। লমদমসিদা শিন্মী মশীং য়াম্না থবক শূহনবা ফেক্টরি লৈতে লন্নাই শেঙ্গাও পায়বা মীওইশিং। মণিপুরদা শিন্মী মশীং য়াম্না থবক শূরিবা হায়বা তারবদি চেক্কোনশিং অসিনি। য়ূম শানবা চেক্কী পোৎথোক পুথোক্লিবা চেক্কোন অসিদা শিন্মী য়াম্না থবক শূবা উবা ফংই। মসিদগী হেন্না চাউবা ফেক্টরি অতৈ করি অমা লৈরি। লৈত্রে হায়বা চাউথোক্লা য়ারে। মসিদা শিন্মীশিং নোংমগী মনুংদা পুং ১৪/১৫ থবক শূহন্দুনা থম্লে হায়বগী পাউ লৈতে। শিন্মী অমনা ফংফম থোকপা খূৎশুমলসু য়াম্না হন্থনা পীবিরে হায়বগী ৱাকৎ থোয়দোক্না লৈতে। ৱাকৎ হায়ববু শিন্মীশিংনা থবক শূজগে, শেল তাঞ্জগে হায়বদা ফেক্টরি হাংবা ঙমদবা শেঙ্গাও পায়বা মী মণিপুরদা লৈতবা অসিনি।

মে দেগী ৱা ঙাঙবদনা শেঙ্গাও পায়বনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমদি লৈঙাক অসিনা লায়রবা শিন্মীশিংগী ঈ চূপ্লে হায়দুনা লাউই। ৱাঙাঙলোয় লোইনমকপুদি নত্তে অদুবু মীওই খরদি চহী খুদিংগী নুমিৎ অসিদা অসিগুম্বা ৱা ঙাঙদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতা লৈরিবা শেঙ্গাও পায়বশিংনা লীংখৎলিবা ফেক্টরিশিং অসিগা য়েংনরুরবদি মণিপুরগী ফীভমসিদি করিসু নত্তে। মে দেগী নুমিৎ অসিদা ৱাঙাঙলোই খরা অমদি থায়নগী মতমদা শেঙ্গাও পায়বা ফেক্টরি মপুশিংনা শিন্মীশিংবু থবক্তমক শূহনবা, খূৎশুমলনা হৈক্রু মনাদা য়োল্লগা পীবা, থবক শূবদা অশোক-অপন য়াওরবরসু লায়েংবীদবগী লীরবা ৱারীদু লীদুনা চহী খুদিংগী লাক্লি। অমরোমদা মসিনবু ফৈ শেঙ্গাও পায়বনা শিন্মীশিংবু ওৎপী-নৈবিরে, কেপিটেলিজমগী থাক অসি য়াম্না ৱাংলে হায়বগী মসিনা হেন্না কান্নে। থায়না মোর্দন সোসাইটি মোর্দন টেক্নোলোজি লাক্তুনা পোথোক পুথোকপা ফেক্টরি শেঙ্গাও পায়বনা লীংখৎলকপা মতমদা শিন্মীশিংবু হায়নীংঙাই লৈতনা ওৎপী-নৈবিবা মতমদুদা কেপিটেলিষ্টশিং খুন্নাইদু খূৎলিংলে, গভর্ণমেন্টসু কেপিটেলিষ্টশিংনা পায়শিনখ্রে হায়বগী ৱাদু পাউদম্বদি য়াই। অদুবু ঙসিদি অহোংবা, অওনবা কয়া লাকখ্রে। শেঙ্গাও পায়বা কেপিটেলিষ্টশিংনা গভর্ণমেন্ট পায়শিন্দুনা তৌনীংবতা তৌবদু য়াদ্রে। শিন্মীশিংগী ঈহৌ মে দে লাকখিবদগী অওনবা কয়া লাকখ্রে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইখ্রবা মতুংদগীদি মালেমদা মীওইবগী রাইট মাঙদনবগী অওনবা থবক কয়া লৌখৎপা হৌনখ্রে। মালেমগী লৈবাক কয়াদা মীয়াম্না অপান্বা মীহুৎ খঞ্জনবা মীখল তৌদুনা দেমোক্রেটিক ওইবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা হৌরকখি। মসিগুম্বা মালেমগী ওইনা লাকখিবা অওনবশিং অদুদগী শেঙ্গাও পায়বনা লাইগুম্না তৌনীংবতা তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল অদু লৈখিদ্রে। অওনবা ময়াম অসিগী মনুংদা শিন্মীশিংগী মায়কৈদা অওনবা কয়া অমসু লাকখ্রে। শূরিবা থবক্কী অমদি মতমগী মতুং ইন্না খূৎশুমল পীরে। তৌরিবা থবক্কী সেক্যুরিটি লৈরে, প্রোভিদেন্ট ফন্দ শেম্লে, থবক শূরিঙৈদা অশোক-অপন য়াওরকপদা চুনবা রুলগী মতুং ইন্না মতেং পাংবগী স্কিম লৈরে। ময়াম অসি লৈরকপদগী শিন্মীশিংগী ফীভম হায়নীংঙাই লৈতনা ফগৎলে।

ঙসিদি দিজিটেলগী মতমনিনা চুনদবা মওংদা অরান-অহুই তৌবদা য়াম্না লায়রবা মী অমনফাওবা য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্লে। অদুনা শেঙ্গাও পায়বা কেপিটেলিষ্টশিংনা থবক শূরিবা শিন্মীশিংদা মখোয়গী শেন্দোং ফংননবা হোৎনবদা শিন্মীশিংবু ফদি-ফরা শুম্বদৌনা থবক শীজিন্নবদু য়াবা নত্তে। শেঙ্গাও পায়বা মীগা শিন্মীশিংগা শেল পায়বগী থোং মান্ননা চৎলু হায়বমক্তি য়াবা নত্তে। শেঙ্গাও পায়বা মীনা শেল চাউনা পুথোকচরগা থবক তৌজবনি। মখোয়না শেল য়াম্না পুথোকচরগা পোথোক পুথোকপা ফেক্টরি লীংখৎলক্লিবদু ঙসিদি হুরান-লোন্নাদা হেক্তা লীংখৎপা য়াবা নৎত্রে। মীয়াম্না ভোট থাদরগা শেমজবা দেমোক্রেটিক ওইবা গভর্ণমেন্ট অদুনা শেম্বা রুলগী মখাদা অয়াবা লৌরগা লীংখৎলিবনি। শেঙ্গাও পায়রে হায়রগা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পোথোক পুথোকপা ফেক্টরি অমা হেক্তা লীংখৎপা য়াবা নত্তে। শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা থবক কয়া ফেক্টরিগী শেঙ্গাও পায়বা মপুনা তৌরকপদা গভর্ণমেন্টনা য়াগদবা লৈত্রে। শিন্মীশিংসু য়াওনা মীয়াম্না ভোট থাদদুনা শেমখিবা গভর্ণমেন্টনা শিন্মীশিং অৱাবা তানবা রুল শেমদ্রে। ফেক্টরিগী মপুশিংনসু শেন্দোং ফংনবনি হায়দুনা অরোনবা পান্থে শীজিন্নবা ঙমদ্রে। চুনবা লেবর লোগী মখাদা শিন্মীশিং নেক্লে, থবক পীরি। মদু ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা লাকপা অওনবা অমনি। মসিগুম্বসি তৌরমদবদগী থায়না শিন্মীশিংনা মে দেগী ঈহৌ হৌদুনা কেপিটেলিষ্ট/শেঙ্গাও পায়বা ফেক্টরিগী মপুশিংগা থেঙ্গায়নখিবদু। শিন্মীশিংনা মায় পাকখ্রে শেঙ্গাও পায়বা কেপিটেলিষ্টশিং মায়থীখ্রে। শিন্মীশিংনা মায় পাকখিবদু মালেমগী শূরিনোন্নিবশিংগী অচৌবা পুৱারী অমা ওইদুনা লৈরে। শম্না শেঙ্গাও পায়বা কেপিটেলিষ্টশিংনা ঙসিদি লৈবাক অমগী গভর্ণমেন্ট পায়শিনবা ঙমদ্রে, খুন্নাই অমা মখোয়গী খুবামনুংদা থম্বা ঙমদ্রে। ইন্দিয়াগী শেঙ্গাও পায়বা রিলায়েন্স, টাটা, বিরলা, বজাজ, রায়মন্দনচিংবনা ঙসি মখোয়গী থবক শূরিবা শিন্মীশিংবু নোংমদা পুং ১০ থবক শূহনবগা লোয়ননা অপিকপা খূৎশুমল মতম চানা পীদবা ঙমদ্রে। অদুনা শিন্মীশিংগী লূপ ত্রেদ য়ুনিয়নগী ঈহৌগী খোল্লাউ তাদ্রে হায়বা য়ারে ইন্দিয়াগী ওইনসু অদুগা মালেমগী ওইনসু। মসিনা তাকপদি মালেমসিদা ইম্পেরেলিষ্ট, কেপিটেলিষ্টকী থায়নগী শুপ্নম শাসনদুদি মাঙখ্রে। অদুগা মে দে লাক্লিবা খুদিংগী শেঙ্গাও পায়বগী লৈঙাক্লা শিন্মীশিং নমথবিরি হায়দুনা অদুমক লৈবদি কয়া চুনবা ৱাৎলে।

মণিপুরদদি শিন্মীশিংগী রাইট ইনাকখুনবা কেপিটেলিষ্টশিংনা মুনবিখ্রে হায়বগী মহুত্তা মণিপুরদা পোৎথোক পুথোকপা ফেক্টরি/মিল/ইন্দষ্ট্রিশিং লীংখৎলু, মদুদা থবক শূফম খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরবা শিন্মীশিং থবক ফংহল্লু হায়দুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়ামদা হায়বনা হেন্না চুনগনি হায়নীংই। শিন্মীশিংগী খূৎশুমল নেম্না পীবা মদুসু মতম চানা পীবিদবা, নোংমদা পুং ১০ হেন্না থবক শূহনবদু শিন্মীশিংগী রাইট মৎপা কেপিটেলিজমগী থবক নত্তে। শিন্মীশিংবু থবক পীবা ঙমদবা মীয়াম্না শীজিন্নগদবা পোৎ শাদুনা পুথোকপা ঙমদবদুসু শিন্মীশিংগী রাইট মৎকনি। মসিমক মে দে নুমিৎতা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাঙবদা য়াওহন্দুনা গভর্ণমেন্টপু মীৎ-নাকোং ওইনবা চৈবা য়াই। থবক শূনা-শূনা শিন্মীশিংনা মশাগী ইমুং পুনবা শেল পায়জদবদুদি রাইট মৎপা কৌদে। ◂◂

# খুন্নাই, চাওখৎ-খোঙথাং অমসুং মণিপুরী নুপীগী শক্তম

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

খুন্নাইসিসু চাওখৎলকই অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদৌশিংসু মপৈ-মপৈ থোকচিল্লকই। অওনবা-অহোংবা মতমসিগী ঈচেলদা ঈথক-ঈরাংগী কাওশীং-কাউরাং কয়ামুক, মশীং থীঙমদনা, পীক থন্না তাউথরকই। মতিংতবু শৈথাবদা লোইনাইদ্রবা মণিপুরী খুন্নাইগী নুপীশিং, ঙসিগী চাওখৎ-খোঙথাংগী লমজেলসিদা করম্বা কেটেগোরিদা লেপ্লিবগে? শুপ্নগী চাক চগ্রিং অমখক্লা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকপগুম, মণিপুরী খুন্নাইগী নুপীশিংগী মরক্তা হৈরোন খরদং য়াওরকপসিনা, থোইদোক-হেন্দোক্লা মণিপুরী নুপীশিংগী শক্তমবু চাংদম্নিংঙাই লৈতবা মওংদা থীহন্নবা হোৎনরক্লি। খন্থবা ঙমদবা মণিপুরী নুপী খরনা শেংলবা মৈত্রবাকসিদা ৱেষ্টর্ন সোসাইটিগী অরাবা মমি অমা তাহল্লক্লবা হোৎনবা, তশেংনা লাইবক থীবা থৌদৌ অমনি। ৱেষ্টর্ন সোসাইটিগুম মণিপুরদসু নাইট ক্লবকী অনৌবা ইরা অমা হাংদোক্লবা হোৎনরিবশিং মতিক চানা চৈরাক পীফম থোকই। হন্দক্কী য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা উৎলৌদা থোকখিবা থৌদোক্তুমক অনীরক হলহন্দনবা হোৎনমিন্নবা ফৈ। চৈরকসিদা, মণিপুরদা হন্দক্তা অমুক্কসু মপুরোইবা অমগী অনীসু শুজদবী, য়ূমগী মৌসু ওইরিবী, মপুরোইবা মশামক্কী নুপীমক্লা হাৎপদা চেন্নরম্মী নৎত্রগা য়াওরম্মী হায়বা ৱাফম নৌহৌনা থোক্লক্লি। ৱাফমসি থোক্লকপদগী, মণিপুরী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা শৈথাজরিবা ঙসিগী অশৈবশিং অমদি মালেমসিগী অতৈ মীওইশিং খুদিংমক্লা মণিপুরী নুপীগী শক্তম্বু করম্বা শক্তমদা ওইনা য়েক্লক্কদগে হায়বসি অরুবা ৱাফম অমা ওইরি।

মালেমগী মফম কয়ামুক্তা মণিপুরী নুপীশিংগী মতিং খঙনদবা লৈতেমক হায়বা য়াই। লীলাদা জগোয়-ঈশৈদা, শান্নবদা, মালেমগী মীপূম খুদিংমক্লা মণিপুরী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা শকখঙনরি অমসুং ইকায়খুম্নরি। অরিবা মতমদগী হৌনা মালেমগী থাক্তা, মণিপুরী নুপীশিং ঙাক্তনা ফম্বা মণিপুরগী 'খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল' পুৱারীদা মমিং লৈদুনা লাক্লি। অনীশুবদা, পাকচাউরবা মালেমগী লৈমায়সিদা নাইতোম ওইনা থোকখিবা, মণিপুরী ইমা-ইবেলশিংনা বৃটিশ সাহেবশিংগী মথক্তা হৌখিবা 'নুপী লান' মণিপুরগী পুৱারীদা খুদম-চাংদমশিংগা লোয়ননা লৈরি। পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্ককশিংদসু মণিপুরী নুপীশিংনা শান্ন-খোৎনবগী হীরমশিংদা মালেমগী অথোয়বা শান্নরোয়শিং ওইদুনা মীকোক-থোংবগী ফিদাশিং ফংলি। বোক্সিংদা, ৱেটলিফটিংদা অমদি তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা মণিপুরী নুপীশিংগী ফম্ফম ঙসি ফাওবদা মালেমগী অতৈ নুপীশিংনা ফম্বা পাক্লা ঙম্নদ্রি। হীরমশিংসি খক্তসু নত্তনা, কলচরদা য়েংলগসু 'মণিপুরী জগোয়' অমদি মণিপুরী নুপীশিংগী ফিজেৎ-লৈতেংশিং, মালেমগী থাক্তা তোমথিন ঙান্দুনা লৈরিবনি। ঙসিসু মণিপুরী নুপীশিংগী তোপ তোপ্লা শাজৎ-লীচৎশিং অমদি থৌদৌশিং শৈথাবগী খক লোইবা নাইদ্রি। ঙসি-ঙসিমক, ফোঙ-ফোঙ শানা মৈত্রবাক্তা চৎনরিবা 'মৈরা পায়বী' হায়না খঙনরিবা মণিপুরী ইমা ইবেলশিংগী লূপসি মালেমগী করম্বা লৈপাকশিংদা উবা ফংনখ্রবগে? ওর্গনাইজেসনসিগী পান্দমসিনি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা খ্বাইদগী ঙকপা পান্দম অমা ওইনা লৌনরিবসি। মণিপুরদা য়ূম্বুরেন ওইরিবা নুপা ওইবা খুদিংমকপু অহিংতাংলৌ থেংল-ফাওবদা, য়ূম্বুরেম্বী ওইরিবী নুপীশিংনা মখূৎতা মৈরা পায়দুনা, লৈরককোন্সাং থুংনা চত্তুনা ঙাক শেনবগী থবক তৌই। ইমা-ইবেনশিংগী অসিগুম্বা ওর্গানাইজেসনসিনা ঙাক শেল্লিবসি মখোয়গী মচা-মশু ওইবশিংসু য়াওরিবনি। অসিগীসু মথক্তা, মণিপুরী নুপীশিংগী তোপ তোপ্লা থৌগল্লোন, থকসি-খাসি অমদি চৎন-লোনচৎশিং মালেমগী অতোপ্লা নুপীশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা তমজনীংঙাইগী থাক্তা লৈরিবনি। মণিপুরী নুপীশিংগী মথক্তা অসিগুম্বা ফিভমশিংসিদা, মখোয়না করম্বা ফীভমদা হেন্দোক-ফাদোকশিং চৎলুদুনা অমদি করম্বা মনীং-তম্বশিং লৌরুদুনা, হেন্দোক-ফাদোকপা মণিপুরী নুপীশিং খরনা মথক্তা পনখ্রিবা, ময়ূমদা লৈমিন্নরিবা মশাগী মৱা-মপুরোইবা ফাওবা হাৎপা-তূপ্পা ঙম্বগী ৱাখল্লোনশিং চেল্লক্লিবনো? ৱাহংসিগী পাউখুম অঙকপা ওইদনীংঙাই লৈরোই। মণিপুরী নুপীশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা মৱা-মপুরোইবগী মফমদা চৎকদবা থৌগল্লোনশিং, থকসি-খাসিশিং, পূম্নমক খুন্নাইসিদা অসুক্কী মতিক পৌরোল মরোল নাইনা লোন্দুনা থম্বগুম চেকশিন্না থল্লি। পূম্নমকসি তুংওইনরম্লগা মশাগী অরেপ্পা ফিরেপ অমনা অকনবা লমজিং ওইদুনা, মণিপুরী নুপী খরনা হায়রিবা মথক্তা পনখ্রবা হকচিনবা থৌদৌশিংসি মশানা খঙনা-খঙনা, পাঙথোকপা ঙমখ্রিবনো হায়বসি ঙক্তবা ঙমদে। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বী নুপীশিংসিগী, মখোয় মশাদা ফীভমশিংসি য়ৌখিবগী মরমশিং অমা নৎত্রগা অমা লৈরম্বসু য়াই। অদুবু, হায়নীংলিবদি, ফনমক ওইদুনসু, ফনা হকচিনবা থৌদৌশিং লৈদুনসু, অসিগুম্বা ফিরেপশিংসি মশা-মথন্তা খক্তনদি কৈদৌঙৈদা খক লেপহন্নীংদে। য়ামদ্রবদা ফিরেপ্তু লেপ্নবা হোৎনবদা, তুংদা থোক্লক্কদৌরিবা অফ-ফত্তগী মহয়শিংদু হায়ফেৎ মুন্না খঙবা অমসুং খন্থবা ঙম্বা মীশক অমনীদংগী এদভাইসশিংদি তাহন্নীংই।

চাওখৎপগী খোঙজেলনা য়াঙখৎলকপগী মতিক, মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক্লা অফ-ফত্ত মুন্না তানবা নৎত্রগা খন্থবা নংহৌদনা, তহা-তহানা ফিরেপ লৌশিনখিবা হীরমশিং খরদা, মরৈ মুন্দনা খুমাঙ চাওশিল্লুবগী থৌদৌশিং তোয়না থোকই। খুদম ওইনা, মতমসিদা মতমসিগী চাওখৎ-খোঙজেলনা পুরকপা খুদোলপোৎ অমা ওইরিবা মোবাইল ফোন, ইশানা শীজিন্নবদা কান্নগদবা অমসুং কান্নরোইদবা শরুকশিং মুন্না খন্থবা তৌহৌদনা ঐখোয়গী ইরমদমসিদা, পায়নীংবা অমদি শীজিন্ননীংবনা হেন্দুনা অসুক্কী মতিক য়াঙনা লৈরুই। মোবাইল ফোন লৈরুবদগী কনাগুম্বা নুপী-অঙাংশিং খরনা মোবাইল ফোন্দা য়াওরম্বা, শীজিন্নবদা কান্নদবদা নত্তনা ইশা ফাওবা সাইবর ক্রাইমদা চেন্নহনগদৌবা ওপসন খরদা মশানা এপ্লাই তৌনীংলকখি অমসুং তৌরকখি। মদুগী মহয়না, লাইরিক পানীংলম্বা অফবা মহৈরোয় কয়া-কয়ানা লাইরিক পাবদা পূক্নিং চঙলক্তে অমসুং মহৈ তম্বদা অকায়বা ওইরকই। তশেং-তশেংনা, মদুনা মরম ওইরগা মমৈথংদা মহৈ তম্বা ফাওবা তোকখিবা মহৈরোয়শিং য়াওদবা নত্তে। অদুগা, অতোপ্পা ফীভম অমদনা মৌনহা মচাশিং নৎত্রগা লৈশাবী মচাশিংদা থোক্লুবা মতমদনা, মতমসিগী ঈচেলদা তাউথখিবদগী মৌনহা মচাশিংদা ইমুং-মনুং কায়নবগী থৌদৌশিং ফাওবা তান-চাহৌদ্রবদি হেক্তা অদুমক থোক্লি। অদুগা, লৈশাবী মচাশিংদনা, মোবাইল ফোন্না পীবা, ফীভম চাদবা মফমশিংদা ময়ূম-মকৈ পানবনচিংবা নাতৈ হুক্তবা থৌদৌ কয়ামরুম থোকপা থেংনরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা, লৈপাকসিদা মোবাইল ফোন শীজিন্নবদা হৈথোই-শিংথোইবা হেল্লুবগী মহয়না, মৌনহা কয়া, লৈশাবী মচা/অচৌবা কয়া, ময়ূম পাল্লবা, ইমুং-মনুং লৈরবা নুপা কয়া, অশি-অনাগী থৌদৌশিং ফাওবা ইরায়-লায়না থোক্লুবা য়াওরি। অসুম্না চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না, মতমসিদা থোক্লকপা পোৎশক কয়ামরুম শীজিন্নদুনা পুন্সিবু ঐখোয়না অনৌ-অনৌবা মওংশিংদা হিংহন্নবা হোৎনৈ। পূম্নমকসিগী মহয় ওইনা, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী অমুক্তা থেংনরক্তবা অনৌবা থৌদৌ মখল কয়ামরুম, অনৌবা পুন্সি মহিংসিগী অনৌবা মথেলশিং ওইনা শোয়দনা থেংনরকই। ফীভমসিদনি ঙসি ঐখোয়না তারিবা, থেংনরিবা লমদমসিদা, অনৌবা মখলগী থৌদোক-ৱাথোক পরেংশিং। নুপা-নুপী, মমা-মপা অমদি মচাশিংগী মরক্তা থোক্লিংবা মওংদা থৌদোক অমা হেক্তা থোকপা লমদমসিদা।

মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা অনৌবা দাগফমশিং তাহন্দুনা, হন্দক মণিপুরদা চীন্দা হঞ্জিন-হঞ্জিন পন্নীংদবা মওংদা, মশাগী হেক লোয়নবী নুপীমক্লা মশামক্কী মপুরোইববু হাৎপা য়াওরম্মী হায়বা থৌদৌসি অমুক হন্না মণিপুরগী লৈমায়সিদা থোকপীদবা ওইসনু। অদুগা হন্দক্কী চহীসিদা থোকখিবা, মণিপুরী নুপীশিংনা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংদা হাংবা নাইট ক্লবশিংবু শীংনদুনা পাঙথোল্লম্বা মরিংমরাংবা উৎলৌগী থৌদোক অদুগুম্বদুসু অমুক হন্না মণিপুরগী মফম অমত্তদা পাঙথোকপীরক্তবা ওইসনু। নুপানা লম হেনবদি লায়রদুনা নুপীনা হেনবা লম ফাওবা ৱারকপা ঙমদবা মণিপুর, মৈত্রবাক হায়বা মিংথোন্দুদদি চানবীদুনা তাইবঙ শেম্বীবা মপুনা মতম পূম্বগী ওইনা, অমুক হন্না ফংহনবীদবা ওইসনু। য়াইফরে, মণিপুরনা য়াইফরে, মৈত্রবাক্লা য়াইফরে। ◂◂